হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ২৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২১২শুবা মশীং

# মণিপুরগী পাউমী

## য়ৈন কাংদ্রুম মফোন থোক

মণিপুরগী পাউচেগী পুৱারীসি লময়ানবা হিজম ইরাবতনা খূৎমারম্বদগী লৈরক্লবনি। হৌজিক্তা লাইরিক হৈবা মীশিং হেঙ্গৎলকপা, প্রিন্টিং টেক্নোলোজিদা অনৌবা পাম্বৈশিং পুথোক্নরকপা অমদি প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা ঙসিগী মীরোলগীদমক লৌরকপা থৌদাংশিং য়ামখৎলকপা, হেঙ্গৎলকপদগী পাউমীশিংগী মরু ওইবশিং নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লিবনি। প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী চপ-চাবা মশক উৎলকপগী ৱানি। অদুবু পাউমীশিং অমসুং প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খূৎ থাবা, পাউমীশিংবু য়ৈন কাংদ্রুম মফোন থোককী ফীভমসিদি ওক্টোবর ২৪, ২০২১গী অয়ূক্তা ইম্ফালদা নুংতিগী অয়ূক্তা ফোঙবা পাউচে অমগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট করেসপোন্দেন্ট অমা মশাগী ময়ূমমক্তদা মীওই ২০ লোম্না ফূ-চৈরম্বা থৌদোক অসিনা অহানবা নত্তে, অরোইবসু ওইরোই। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি মতুংদসু থোরকখিনি। মসি হায় হায়দুনা থোকহন্নীংই হায়বা নত্তে। অদুবু হৌজিক ওইরিবা, লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফীভমশিং অসিদগীদি থোরকখিনি হায়বনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী মরম লৈনি। মরমশিং লৈতনদি হেক্তা থোরক্লোই। অদুবু লৈরিবা মরমশিং অদুগীদমক তিঙ্খং অমনা য়ুরবদি তিঙ্খং অমনা হনগদবনি হায়বগী থৌওংদুগী মহুত্তা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংবু খূৎনা পায়দুনা শীজিন্নরকপদি চুন্লোই। ‘তু অর ইজ হ্যুমেন’, অদুগা পাউমীসু মীওইবনি। পাউমীগী থবক্তা শোয়বা-লানবা য়াওহনফম শুংথোক-থোক্তে। পাউমী অমগী মথৌদা ইলেক্সনবু ওইগেরা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমগী মতাংদবু ওইগেরা মখল অমত্তগী ইনফ্লুএন্স চঙহনবদি লায়রদনা অদুগুম্বশিং অদুগী মমি ফাওবা তাহল্লোইদবনি। জর্নেলিষ্টকী ইথিক্স ঙাক্না চৎকদবনি। পাউমীগী ৱাংলবা অমসুং লেমজনীংঙাই ওইরবা ফম্বাক্তা ফম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা পাউমী অমগী পনখৈগী ৱাংমদা তৌনীং-তৌনীংবশিং পংতৌদা তৌরোইদবনি।

অসিগুম্বা পাউমীশিংনা তৌরোইদবা, তৌহৈদবা থবকশিং তৌরকপদা কনামত্তা খঙল-উররোই হায়দুনা খল্লিবা ৱাখলদুসু অরানবনি। তৌনীংবতা তৌনীংলিবা অমসুং তৌথোরকপগী ৱাখলদুনা হুমদুনা পুখিবদগী অশেংবা-অচুম্বশিংদু নমহৎখিবগী ৱানি। মণিপুর য়াম্না পিকই, কেক লাওবা মীৎকুপ্তা শিৎ-নান্না খঙনবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা পাউমীগী শিনফমদা লৈরিবশিংনা মশাগী প্রোফেসনল ঈথিক্স ঙাক্না চৎকদবনি। ঙাক্কদবশিং অসি ঙাক্লক্তবদগী পাউমীগী শিনফমদা মায় পাক্না অমসুং মতোল লোম্না শিন্থা পাঙথোকপা ঙম্নদবা য়াওই। চুম্না ফূবা-চৈবা তৌরম্বদগী হেন্দোরক্তুনা নোংমৈ মরূ চাদুনা লৈগী দোলাই তোংবা ফাওবা য়াওখ্রে। মশাগী পুন্সিগী শিনফম অসিদগী থা ৬, থা ১ নম্ফুদা পোত্থাহন্দুনা থম্বা, মীমাং থোক্না লৈবাক্কী ৱাফম খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াহন্দনা থম্লুবনচিংবা পাউমীশিংসু য়াওরি। মরম অসিনা পাউমীশিং মশাগী মথৌদমক নীংথিজনা পাঙথোক্কদবনি। অদুবু পাউমীশিংগী মরক্তগী মশাগী মথৌদা হেঞ্জিল্লকপা, নাথৈদুনা চৎলকপা য়াওরক্লে হায়দুনা হেক্তা খূৎ থাবদি চুন্লোই। লৈবাকসিগী লো লৈ, চৎনরি। পাউমী য়াওনা মীপূম খুদিংমক্না লোবু ইকায়খুম্নগদবনি। মসিগী মথক্তা লৈরোইদবনি। পাউমী য়াওনা অশোয়বা, অরানবা তৌবা মীওইশিংগী মথক্তা ৱায়েল চত্থনবা লো কোর্টশিং লৈরি। মখোয়গী মতেং লৌগদবনি। ৱায়েল চৈরাক পীহনগদবনি। মসি চৎনবীনি। থায়না নিংথৌগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা ফাওবা মরাল লৈরে হায়রবা মীওই ফাওবা লৈঙাক্তুবু লুচিংলিবা লৈঙাক মপু নিংথৌনা নৎত্রগা মাগী ফম্নাইবশিংনা শিবগী চৈরাক পীদে। শঙলিংবগী খূৎতা শিন্নে। অদুগা অমরোমদনা তৌগেদা ঙম্বা কাঙবু য়াওনা মপাঙ্গল কনবা, পাম্বৈ পূম্নমক্কী মপু ওইবা ঙন্নিবা মীওইশিংনসু পাউমীশিংবু মখোয়না পুনিংবা মায়কৈদা পুননবা হোৎনরক্লোইদবনি। মখোয়না অপাম্বা তৌদ্রগা খূৎ থানি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোক্কদবনি। পাউমীশিংগী মথৌ অমসুং শিনফম্বু ইকায়খুম্নবীগদবনি। মখোয়গী মথৌদা খূৎ থিংজিন্দনা ফ্রী হেন্দ পীগদবনি। অদুবু হৈরোক্তা থোকখ্রিবা পাউমী ফূবগী থৌওংসিদি চুমদে। লাইরিকসু হৈবা, লাইশুসু খঙবগী থৌদৌ নত্তে। তৌথোরকপা থবক্না মশাগী মশক, হৌরকফম অমসুং লৈফম তাকই হায়বগী থৌদৌসি মতুংদা থোকহল্লক্কনু। য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়াম তাখ্রগা ইকায়জে। পুলিসনসু পাউমীদুনা লানবা-চুম্বগী ৱাফম তরাইথোকখ্রগা থৌদোক্তুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা চপ চাবা থবকশিং লৌখৎকদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) ***“জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা”*** হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **“রবীন্দ্র লৈচল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) ***“ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা”*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্পা তোপ্পা ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।”*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***“লৈপাক্কী মুর্তি”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# 3D প্রিন্টেদ ভেক্সিন পাটচ : নীদল শীজিন্নদুনা ভেক্সিন কাপ্পগী মথৌ তারক্তবা য়ারি

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লোইদ্রি, সার্স-কোভ-২গী শায়ওন মথং-মথং থোরক্লি। অখঙ-অহৈশিং অমসুং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়রি। অদুবু মরম অমা নৎত্রগা অমনা মীওই খরদি ভেক্সিন/হীদাক কাপকনি খল্লুবদা নিংদোল পোম্বা য়াওরি। কোভিসিল্ড কাপ্পবগী ক্যু লেপফমদা শানবা ৱারীসি মখল মখলনি। লাইহৌ কন্না হৌই হায়বগী কিবা কাঙবু, ভেক্সিন কাপ্পদা নাগনি হায়বগী কিবা, ভেক্সিন কাপ্লবা মতুং ইকুই কুইদনা মী শিখিবগী পাউ নৎত্রগা পোজিটিভ ওইরকপগী পাউ তারুবদগী কান্নদমাল্লি খনবা কাঙবু...। নাবা নাদবদুনা তোঙান্না থমখ্রগা, নীদল অমসুং সিরিঞ্জ উবগা পংকপ্তা কপ্পা অঙাংসু লৈরিবনি। অদুনা সিরিঞ্জ শীজিন্নদবা ভেক্সিন, ওরল ভেক্সিন (ওরল পোলিও ভেক্সিন- ও পি ভি) নচিংবা পুথোরক্লি। মতৌ অসুম্না উনশাদা নপ্পা য়াবা মাইক্রোনীদলশিং য়াওবা ভেক্সিন পুথোকখিবগী অনৌবা পাউ অমা লাক্লি।

ভেক্সিন কাপ্পা/থকপা হায়বসিনা ঐখোয়গী হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টমবু মপাঙ্গল কনখৎহল্লি, হায়বদি ইম্ম্যুননা লায়নাদুবু থেংনবা ঙম্বা অনৌবা এন্টিবোদিশিং শেমগৎলকই। লৈবাক অমগী সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা হায়রগনা, অখন্নবা টেররিষ্ট কাঙলূপ অমবু থেংননবগীদমক অখন্ননা ত্রেনিং তৌরবা লান্মী কাঙলূপ অমগুম্বনি। ইম্ম্যুন সিষ্টমসিনা মপাঙ্গল কল্লিবমখৈ ফোরেন বোদি (মরু ওইনা মহীক) শিংনা পাক হেক লাকচখিবা ঙমদে। অদুনা নৌনা থেংনরকপা লায়না অমা হেক্তগী ভেক্সিন পুথোকপা হায়বসি তঙাইফদবনি। অদুবু ভেক্সিন কাপ্পদা কিবসি অয়েৎ-অপন অমনি হায়না লৌবা য়াই। অদুনা ষ্টানফোর্দ য়ুনিভর্সিটি অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ নোর্থ কেরোলাইনা (য়ু এন সী) - চাপেল হিলগী সাইন্টিষ্টশিংনা, হৌজিক কাপ্পরিবা ভেক্সিনশিং অসিদগী হেন্না কান্নবা পীবা ঙম্বা 3D - প্রিন্টেদ ভেক্সিন পাটচ (উনশাদা নপ্পবা পোৎ) অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। মখোয়গী বেক্সিন পাটচ অসি উনশাদা নপ্পসিনা ভেক্সিন্দু পাম্বোমগী তোংশাদা কাপ্পদগী শরুক ১০ হেন্না ইম্ম্যুন রেস্পোন্স ফংবা ঙম্মী হায়না ‘প্রোসিদিংস ওফ দ নেসনল একাদেমি ওফ সাইন্সেস’ তা ফোঙদোরকখিবনি।




ষ্টানফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ওফ ট্রান্সলেসনল এন্দ কেমিকল এঞ্জিনিয়রিং অমসুং য়ু এন সী - চাপেল হিলগী প্রোফেসর ইমেরিটস ওইরিবা, Joseph M. De Simone না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না টেক্নোলোজি অসি শেমগৎপা ঙম্লকপসিনা ভেক্সিনগী হন্থবা চাংদা, অনাবা ফাওদবা অমসুং এঞ্জাইতি লৈতবা মওংদা, ভেক্সিনশিং পুথোক্লবগী য়ূম্ফম ওইদুনা, থুনা ভেক্সিনশিং পুথোকপা ঙমহল্লগনি হায়রি। অরাইবা মওংদা, কান্নবসু হেন্না ফংহংল্লবা ভেক্সিন পাটচ অসিনা অনাবা ফাওহন্দবা অমসুং এঞ্জাইটি লৈহন্দবদা নত্তনা, মী অমনা মরোমদোম ভেক্সিন্দুবু কাপ্পসু য়াহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।



CLIP-প্রিন্টেদ মাইক্রোনীদলশিং; (মথক) স্কোয়ার পিরামিদল মাইক্রোনীদলশিং, (মখা) ফ্যাসিটিদ মাইক্রোনীদলশিং

মখোয়না থিজিনখিবা অসিদা, উনশা মখাদা ভেক্সিন কাপ্পদা ফংলক্লিবা অদুদগী ভেক্সিন পাটচ অসিনা পুথোরকপা শিংথানিংঙাই ওইরবা T - সেল অমসুং এন্টিজেন-স্পেসিফিক এন্টিবোদি রেস্পোন্স অসি শরুক ৫০ হেল্লি। অদুনা মাইক্রোনীদল ভেক্সিন পাটচ অমদা হাপকদবা ভেক্সিনগী য়াম্বগী চাংদু হন্থহল্লগা পীরবসু সিরিঞ্জ অমসুং নীদল শীজিন্নরগা পীবদুগা মান্নবা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স পীবা ঙম্মী।


Joseph M De Simone

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক, ভেক্সিন কাপ্পবগী হোৎনবদা, মতম কুইনা ঙাইবা, হোস্পিটাল নৎত্রগা ভেক্সিনেসন সেন্টর অমদা চৎপা অদুগা মফমদুদা অমুক ক্যুদা ঙাইবগী খুদোংচাবা কয়া থেংনখ্রে। মসিগীসু মথক্তা ভেক্সিনদু রেফ্রিজরেটর নৎত্রগা ফ্রীজর অমদা থম্বগী মথৌসু তারিবনি। থৌওংসি ইচম চম্না উজরবসু মীপূম খুদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্লবা হোৎনরকপা মতমদদি অয়েৎ-অপনশিং থোরকই - ভেক্সিনশিংবু কোল্ড ষ্টোরেজদা থম্বা, মদুদগী ত্রেনিং ফংলবা প্রোফেস্নলশিংনা অমুক সিরিঞ্জদা হাল্লগা কাপ্পা মথৌ তাই। অতোপ্পা অমরোমদনা, ভেক্সিন পাটচশিং অসিদি ভেক্সিন তৈশিল্লবা/নপশিনহল্লবা মাইক্রোনীদলশিংদু, কোল্ড ষ্টোরেজগী মথৌ তাদে, মালেমগী মফম অমদা হেক্তা লায়না পুবা য়াগনি অদুগা মীদুনা মরোমদোম কাপচবসু য়ারগনি। অসুম্না তৌরবদি ভেক্সিন কাপথোকপগী চাংসু হেল্লগনি। মসিগী অতোপ্পা খুদোংচাবা অমনা উনশাদা ইম্ম্যুন সেলশিং মরাং কায়না য়াওবসিনি।

মাইক্রোনীদলশিংবু তোঙান-তোঙানবা ভেক্সিন মখলশিংদা শীজিন্নবা হায়বসি শিংনবা অমা ওইদুনা লাকখি হায়না য়ু এন সী স্কুল ওফ মেদিসিনগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাইক্রোবাইওলোজি অমসুং ইম্ম্যুনোলোজিগী থিজিল্লোয় ওইনা লৈরিবা Shaomin Tian না ফোঙদোক্লি। অদুনা মাইক্রোনীদলশিং শীজিন্নবসি মায় পাক্তনা লাকখি। অয়াম্বা মাইক্রোনীদল ভেক্সিনশিংসি মোল্ডশিং শেম্নবগীদমক মাষ্টর টেমপ্লেটশিংগা পূনশিন্নহল্লি। মখোয়গী অনৌবা পাম্বৈ অসিদা মাইক্রোনীদলশিংদুবু 3D প্রিন্ট তৌরগা ভেক্সিনদা ইম্ম্যুননা পীরকপা রেস্পোন্স হেনগৎহনবগা লোয়ননা মমলসু হন্থহল্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

মাইক্রোনীদলশিংদু De Simone না পুথোকখিবা CLIP প্রোটোটাইপ 3D প্রিন্টর অমা শীজিন্নরগা য়ু এন সী-চাপেল হিলদা শেমগৎখিবনি অদুগা মহাক্কা পুন্না হৌদোকমিন্নখিবা সিলিকোন-ভেলি কম্পেনি, কার্বোননা শাবনি। মাইক্রোবাইওলোজিষ্টশিং অমসুং কেমিকেল এঞ্জিনিয়রশিংগী অপূনবা লূপ অসিনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনশিং, হায়বদি Moderna অমসুং Pfizer গী RNA ভেক্সিনশিংবু মাইক্রোনীদল পাটচশিংদা ফোর্মুলেট তৌশিন্নবা মখা তাবা চাংয়েংশিংগীদমক থৌরাং তৌখ্রে হায়রি। করিগুম্বা মখোয়গী চাংয়েংশিংসিদা মখা তানা মায় পাক্লক্লবদি কোভিদ-১৯গী মাস ভেক্সিনেসন অমদি অতৈ অতোপ্পা ভেক্সিনেসনগী থবক্তসু য়াম্না কান্নবা পীরগনি। ●

# বর্লিন ওলিম্পিক অমসুং হিটলর (১৯৩৬) # ১০

- লৈশাংথেম অজিৎ -

থৌরম মরি অসিদা হোলেন্দনা সনাগী মেদল ২, শেঞ্জেংগী ১ ফংদুনা য়োটিংদা খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা লৈবাক ওইরম্মী। জর্ম্মনি অমসুং গ্রেট বৃটেননা সনাগী মেদল অমমম ফংখি। নোর্ৱেনা লুপাগী ২ অমসুং স্বিদেননা লুপাগী ১, শেঞ্জেংগী ১ ফংদুনা লৈবাক মঙা অসিনা য়োটিংদা খ্বাইদগী ফবা লৈবাকশিংনি হায়না লৌনরম্মী।

মোদর্ন পেন্টাথলোন্দা য়ু এস এগী আর্মি ওফিসর লেফটিনেন্ট চার্লেস লিওনার্দনা পিষ্টোল কাপ্পদা পোইন্ট ২০০ চপ চানা ফংদুনা জজ ওইরিবশিং অদু ঙকহনখি। মহাক শগোল থৌবগী থৌরমদা ১৫শুবা অমদি ফেন্সিংদা ১০শুবা পোজিসন ফংদুনা পোইন্ট খরা হন্থখি অদুনা অনীশুবা পোজিসন ফংখি। অহানবা পোজিসন ফংখিবা জর্ম্মনিগী গোথার্দট হেন্দ্রিক থৌরম মঙাগী মনুংদা মকোক ওইবা ঙম্বা অমত্তা য়াওখিদে অদুবু ফেন্সিংদা অনীশুবা, শুটিংদা মরিশুবা, ইরোইবদা মাপলশুবা, লমজেলদা ১৪শুবা অমদি শগোল থৌবদা অনীশুবা পোজিসন্দা পোইন্ট য়েন্নদুনা সনাগী মেদল লৌখি। অহুমশুবা তাখিবা ইটলিগী সিলভাগে-অবা শগোল থৌবদা মকোক ওইখি।

লৈবাক ১১না হোকিদা শরুক য়ারম্মী, মেজর ধ্যানচান্দনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৯না শাবা টিম অমা বর্লিনদা চৎলম্মী। ইন্দিয়াগী টিম থুংলবদা জর্ম্মনশিংনা নাজিগী সলাম তৌদুনা মখোয়বু ওক্লম্মী। মতম অদুদা লৈঙাক্কী থবক তৌবশিংনা ওলিম্পিক য়াওনবগীদমক্তা ছুটি মতিক চানা ফংদবনা পীন্নিগর, ডিক্কি-কার অমসুং এ আই এস দারা বর্লিন চৎপদা য়াওরমদে। ওলিম্পিক হৌদ্রিঙৈদা জর্ম্মনিগা হোকি শিংনবদা ইন্দিয়া মায়থীরম্মী মদুদা পাখৎখিদুনা দারা থারক্লবা পাউ থারকপদগী মহাক মতম চানা বর্লিনদা থুংখি। জর্ম্মনিগা ফাইনেল শান্নবদা হাফকী মতমদা ইন্দিয়ানা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা ৮-১দা মায়থীবা পীখি।

মতম অদুদা ইন্দিয়াগী ফিরাল য়ুনিয়ন জেক ওইদবা য়াদবনা ফাইনেল শান্নরমদাইদা শান্নরোয়শিংনা ফি শেৎফমদা মচু অহুমগী ফিরালদা সলাম তৌদুনা খুরুম্লম্মী। হোলেন্দনা ফ্রান্সপু ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মনা ফংখি।

জর্ম্মনিগী কোনর্দ-ফ্রেয়না জিম্নাষ্টিক্তা মেদল মঙা ফংদুনা দিসিপ্লিন অসিদা মেদল খ্বাইদগী ফংবা শান্নরোয় ওইরম্মী। মহাক্না পেরেলেল-বার অমসুং সাইদ হোর্জদা মকোক ওইখি, হোরিজোন্টেল-বারদা অনীশুবা, ফ্লোর এক্সর্সাইজ অমদি ইন্দিভিজুয়েল ওল-রাউন্দা অহুমশুবা মনা ফংলম্মী। অতোপ্পা জর্ম্মনি মচা অলফ্রেদ-স্বার্জমেন্না ইন্দিভিজুয়েল ওল-রাউন্দ চেম্পিয়ন ফংখি অমসুং জর্ম্মন টিম্না কম্বাইন্দ এক্সর্সাইজদা মকোক্তা লাকখি।

ফিনলেন্দগী অলেকজেন্দর সারভালানা হোরিজোন্টেল-বারদা, জেকোস্লোভাকিয়ান - অলোয়ই-হুদেক্না রোমান-রিংদা অমসুং ফ্লোর-এক্সর্সাইজদা স্বিটজরলেন্দগী জর্জেস-মিজনা সনাগী মেদল লৌরম্মী।

নোর্ৱেগী ৱিল্লী-রোজের্বগনা স্মোলবোর-রাইফল-প্রোনগী থৌরমদা মহাক্না কাপখিবা মরূ খুদিংমক টার্গেটতা অমত্তা চিপ্থদনা পান্দুনা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনদা মীওই অমনা তৌঙমদবা থৌওং অমা ওইখি। মহাক্না থৌরম অসিদা পোইন্ট ৩০০গী মনুংদা ৩০০ মক ফংদুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি। এঠলিট তরুক্না মহাক্না নক্নবা লম্বা তৌনরম্মী। এঠলিট তরুকমক চপ মান্ননা পোইন্ট ২৯৬ ফংলম্মী অদুবু কাঙলোনগী মতুংইন্না অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি অতৈ মখা তাবা পোজিসন পীরম্মী। মরিশুবা পোজিসন ফংখিবা ফিলিপিন্সকী মার্টিন জিসন অনীশুবা লাঞ্জাওদা জপানিজশিংনা ফাদুনা বার্টন দেদ-মার্চ্চ হায়না খঙনবা অকিবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদু য়াওহনবদগী হিংহৌখি। লান লোইরবা মতুংদা কুমজা ১৯৪৮গী লন্দন ওলিম্পিক্তা অমুক শরুক য়াবা ফংখি। ৱিল্লী-রোজেবর্গগুম্না মালেমগী রেকোর্দ থুগায়খিবা নুপাদি স্বিদেনগী তোর্সটেন আলফমেননি। মহাক্না ফ্রী-পিষ্টোলদা পোইন্ট ৫৫৯ ফংদুনা মকোক ওইখি। জর্ম্মনিগী কোরনেলিয়স ভান-ওয়ন্না রেপিদ-ফয়ার পিষ্টোলদা চেম্পিয়ন ওইখি।

জর্ম্মনি অমসুং ফ্রান্সনা বোক্সিংদা সনাগী মেদল ২/২ অমদি ইটলি, অর্জেন্টিনা, হঙ্গেরি অমসুং ফিনলেন্দনা অমমম ফংলম্মী। সুপর-হেভিৱেটকী ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী গুইলেরমো লোভেলবু জর্ম্মনিগী হরবর্ট-রুঙ্গেনা মায়থীবা পীখি। ফ্লাইৱেটকী ফাইনেলদসু জর্ম্মনিগী ৱীল্লি-কাইজরনা ইটালিগী গাভিনো-মাত্তাবু মায়থীবা পীরম্মী।

ইটালিয়নশিংনা ফেন্সিংগী ফোইল অমসুং ইপিদা থোইদোক-হেন্দোক্না হৈশিংবা উৎলম্মী অদুবু সেবরগী থৌরমশিংদদি মখোয়না হঙ্গেরিবু মায়থীবা পীবা ঙম্লমদে। ফোইলগী ইন্দিভিজুয়েলদা ইটালিগী মিটর ২ ৱাংবা গিটলিও-গাওদিনিনা মকোক ওইখি। মহাক কুমজা ১৯২৮দগী ১৯৩৬কী ওলিম্পিক গেমস ফাওবদা সনাগী মেদল ৩, লুপাগী ৪, শেঞ্জেংগী ২ ফংখি। লৈবাক অসিগী ফ্রানকো-রিকারদিনা মরৈবাক মচা সানারিও-রাগনোবু ইপিগী ইন্দিভিজুয়েল ফাইনেলদা মায়থীবা পীখি। অসুম্না ফোইল অমসুং ইপিগী টিমগী থৌরমদসু ইটালিগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাকখি।

সেবর ইন্দিভিজুয়েলদা হঙ্গেরিগী ইনদ্রে কাবোসনা সনাগী মেদল লৌখি অমদি টিমগী থৌরমদা মখোয়না ইটালিয়নশিংবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীখি। ইনদ্রে-কাবোস অনীশুবা লাঞ্জাওদা বুদাপেষ্ট-মারগারেট থোং কাপখায়বদা য়াওখিদুনা মশাগী চহী ৩৮ শুবদা লৈখিদে। মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক্কী মমা-মপানা ফেন্সিংগী শেৎনবা ফিজোলবু ‘বর্থদে’ মপোক নুমিত্তা খুদোল ওইনা পীদুনা হীরম অসিদা মপূক্লিং থৌগৎলম্মী।

হঙ্গেরিগী Elone Schacherer Elek না নুপীগী ইন্দিভিজুয়েল ফোইলদা অহানবা মনা লৌখি। মহাক্না জর্ম্মনিগী জিউ নুপী হেলেনা মায়ারবু মায়থীবা পীখি। হেলেনা মায়ার জর্ম্মনি থাদোক্তুনা য়ু এস এদা কোলেজগী ওজা ওইনা থবক তৌদুনা লৈরুবা নুপীনি। জর্ম্মনিনা মহাকপু মরৈবাক্তা হল্লক্তুনা ওলিম্পিক অসিদা শরুক য়ানবা হায়জবদগী মরৈবাক্তা হল্লকখি। জর্ম্মনিনা মহাক্কী মপু-মবেন জিউ নত্তে আর্য্যনি হায়না ফোঙদোকখি।

হিটলরনা লেনি রিফেনসলেহল কৌবী লৈশাবী অমবু ‘ওলিম্পিয়া’ কৌবা বর্লিন ওলিম্পিক্কী মরমদা ফিল্ম অমা নম্নবা পাউতাক পীরম্মী। মহাক্না অহানবদা হিটলরনা হায়বা অদু য়ানীংলমদে মরমদি ‘ভিক্টরি-ওফ-ফেইথ অমসুং ট্রাইমপ্ফ-ওফ-দি-ৱিল’ নমখিবা মতমদা মঙোন্দা গীওবেলসনা খুদোংথিবা পীখিবশিং অদু মহাক পাল্লমদে। মহাক ফিল্ম অদু নমনীংদবদগী বর্লিন থাদোক্তুনা চৎলুবদগী হিটলরনা শাউদুনা মহাকপু কৌহল্লদুনা য়ানবা অমা পুরকখি।

ওলিম্পিক হৌগদবা থা কয়ামরুমগী মমাঙদগী মহাক্না ফিল্ম নম্বা মীওইশিংদা ত্রেনিং পীরম্মী। ফিল্ম নম্বশিং অদুনা মশানা মখল মখল খুদিংগী করম্বা মওংদা করম্না ফিল্ম নম্লগা ফজগনি হায়বা মওং য়েংদুনা হন্না হন্না হোৎনরম্মী। ইরোয়ফমদা ঈশিং মনুংদা লুপথরগা নম্বা য়াবা কেমেরা শীজিন্নদুনা ফিল্ম লৌবগী ত্রেনিং পীরম্মী। ইরোয়ফমদা মখল মখা অয়াম্বগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা ফিল্ম নম্বগীদমক থা তরুক চঙনা ত্রেনিং তৌরম্মী।

ওলিম্পিক লোইরবা মতুংদা মহাক মশামক্না ফিল্ম অদু এদিট তৌবদা চহী অমা মখায় চঙলম্মী। মরম অদুনা ‘ওলিম্পিয়া’ কৌবা ফিল্ম অদু কুমজা ১৯৩৮দা থাদোকপা মতমদা মালেমগী মনুংদা শান্নবগী মরমদা নম্বা খ্বাইদগী ফবা ফিল্ম ওইখি। চহী অসিমক্তদা ভেনিস ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াবদা অহানবা মনা ফংখি। মথংগী চহীদা আই ও সীনা সনাগী মেদল অমগা দিপ্লোমা অমগা পীখি। ঙসি ফাওবা ফিল্ম অসি য়াম্না তাঙবা অমদি মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নবগী ফিল্মশিংগী মরক্তা অমা ওইরি। ফিল্ম অসি নম্বদা লেনিনা ফিল্ম নম্বা মীওই ৩৩ শীজিন্নরম্মী। ওলিম্পিয়াদগী মৈরা লৌবা, লম্বেলদা মৈরা শিন্নবা, ওলিম্পিক হৌদোকপগী থৌরম, মৈ কম্বী চুখৎপা, হিটলরনা ৱা ঙাঙবা, মখল মখা অয়াম্বনা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমশিং, মনা পীবা, মীৎয়েংলোইশিংগী হরাউবগী মায়থোঙ, মীৎয়েংলোইশিংনা মাগী মাগী মীচংনা পোবগী নুংঙাইতবগী মায়থোঙ, অরোইবগী থৌরম্নচিংবা অমত্তা চিপ্থদনা ময়েক লানা নম্লম্মী।

ওলিম্পিক অসিদা অহানবা ওইনা রেদিওদা গেমস অসিগী মরমদা ঈ-পাউ শন্দোকই অমদি টেলিভিজন ইহান হান্না শীজিন্নৈ। মীওই ১৬০.০০০ হেন্না ওলিম্পিক অসি টেলিভিজনদা য়েংলম্মী। ক্লোজদ সর্কুইটতা বর্লিনদা অচৌবা হোল ২৫দা খুদোংচাবা অসি ফংলম্মী। মসিগী মথক্তা বর্লিন পোষ্টদাম অমসুং লিপজিগতা মীয়াম্না গেমস অসি টেলিভিজনদা য়েংবা ফংখি। ●